# লমদমসিগী ঙাগী পোখোক হেনগৎহন্নবা ঙা মখল কয়া য়োকপা অমদি অনৌবা টেক্নোলোজি কয়াবু শীজিন্নবগী তঙাইফদবা

**ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ**

ঐখোয়গী লমদম অসি পিকচরবসু ঙা ফজনা পুথোকপা য়াবা লমদম অমনি। মণিপুরগী ওইনা ঙা য়োকপা য়াবা লমদম অসি চাওরাক্লা পরি ৫৬,৪৬১.০৫নি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক হৌজিক ঙা য়োকপগী শীজিন্নরিবা লমগী পাক চাওবসি চাওরাক্লা পরি ১৮,৬০০নি। হায়রিবা লম অসি অপূনবা ঙা য়োকপা য়াবা মফমগী চাদা ৩২.৯৪ খক্তনি। শম্না হায়রবদা ঙা য়োকপদা শীজিন্নবা য়াবা মফম অসি অসুক্কী মতিক য়াম্না লৈরি। মতাং অসিদা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহন্নবা লৈঙাক্লা পায়খৎপা য়াবা থৌওং খরা থমজরি।

১) লৌউ-শিংউবদা খুদোংচাদবা মফমশিংবু ঙায়োক পুখ্রি ওন্থোকপদা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চঙবীবা।

২) লমদম অসিদা ফংবা পোৎ চৈ শীজিন্নদুনা অফবা মখলগী ঙাগী মচিঞ্জাক শেম্বদা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চঙবীবা।

৩) অফবা মখলগী ঙা মচা ফংহন্নবগী থৌরাং অমা ওইনা অফবা মখলগী ঙা মপি য়োকখৎনবা থৌরাং লৌখৎপীবা।

৪) মখল কয়াগী ঙা য়োকপদা পূক্নিং থৌগৎপীবা।

৫) অনৌবা অমদি অফবা মখলগী ঙায়োক পথাপ কয়াবু ঙামীশিংদা য়ৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা।

৬) ঙামীশিংদা শেন্থং কয়া ফংহনবা অমদি মসিগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙহনবা।

৭) ঙা য়োকপা য়াবা মফমশিং ফজনা খঙদোক্লবা জি আই এসতা য়ূম্ফম ওইবা মেপ য়েকথোকপা অমদি মদুগী মতুংইন্না ঙা য়োকপগী পোরম য়াৎথোকপা।

৮) ঙা য়োকপগী থবক তৌরিবা লোইশঙশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিং অসি ঙাগী মরমদা ফজনা খঙ-হৈরবা প্রোফেসনেলশিং ওইহনবীবা অমদি অনৌবা, অফবা টেক্নোলোজি কয়াগী মরমদা ট্রেনিং ফংহনবা।

৯) ঙামীশিংগী দরকার ওইবগী মতুংইন্না লমদম অসিদা মহৌশাদগী লৈরক্লিবা টেক্নোলোজি কয়াগী মরমদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক্তা পূক্নিং থৌগৎপীদুনা লমদম অসিগা চানবা থৌওং কয়া পুথোরকপদা পূক্নিং থৌগৎপীবা।

১০) অনৌবা অমদি অফবা টেক্নোলোজি কয়াবু ঙামীশিংদা পায়খৎহন্দুনা ঙাথোক হেনগৎহনবদা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চঙবীবা অসিনচিংবনি।

হৌজিক হৌজিক মপান লমদগী ঙা মচা কয়া পুশিল্লক্তুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। তৌইগুম্বসুং মপান লমদগী পুশিল্লক্লিবা ঙা মখলশিং অসি লমদম অসিগী অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীরোইদৌবা ঙাশিংদা পূক্নিং থৌগৎপীদুনা লমদম অসিগী অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীগদৌবা ঙাশিংবু অথিংবা থম্বগী তঙাইফদবসু লৈরি। লমদম অসিদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা পেংবা, ঙাতোন্নচিংবা ঙাশিংগী মচা পুথোকপদি ফজনা ঙস্লে। তৌইগুম্বসুং উকাবী, ঙাক্রা, ঙাতেন, ঙাক্রিজৌ, ঙাতিন, নূংঙানচিংবা ঙাশিংগী মচা পুথোক্লবগী থৌরাং কয়া লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচা পুথোকপা হায়বসি অরূবা থৌওংদি নত্তে অদুবু থৱায় য়াওবা ঙামী কয়া থোরক্তুনা পূন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি। মসিদসু নত্তনা ঙা মরূম কোকপা মতম হায়বদি এপ্রিল থাদগী জুলাই/ওগষ্ট ফাওবগী মনুংদা নুমিৎ খরনিদা ওইরবসু পাৎ, তুরেলনচিংবদা ঙা ফাবা থিংবগী থৌওং লৈঙাক্লা লৌখৎপীবা।

অনৌবা অমদি অফবা থৌওং কয়া খুদম ওইনা হায়রবদা বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা ঙা য়োকপা, ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টম, বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি, এক্কাপোনিকস, রেসৱে ফার্মিং সিষ্টম, রিসারকুলেটরি এক্কাকলচর সিষ্টম, কেজ কলচর, পেন কলচরনচিংবা থৌওং কয়া পাঙথোকপদসু লৈঙাক্কী মীৎয়েং চঙহঞ্জনীংই।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থৌওংশিং অসি হৌজিক হৌজিকসু লৈঙাক্কী থৌশিল মখাদা থৱায় য়াওবা ঙামী কয়ানা পাঙথোক্নরি অদুবু মসিনা ঐখোয়না পাল্লিবা ঙাগী পোখোক অদু পুথোকপদি ঙমদ্রি। মরম অদুনা লৈঙাক্কী থৌশিল খক্তমক ঙাইদুনা লৈবগী মতম অদু হেনখ্রে। লৈবাক্কী খনবা থৱায় য়াওবা ঙামী কয়া থোরক্তুনা পূন্না হোৎনমিন্নবগী মথৌ তারে। মরমশিং অসি লৈবনা ময়াম পূন্নমক হোৎনমিন্নদুনা লমদম অসিগী ঙাগী পোখোক হেনগৎহনবদা অচৌবা শরুক য়ামিন্নরসি। ●

# য়ানশিল্লগা হুনবা য়াবা ফৌগী মখল

**ডা. ৱাইখোম জিতেন**

লৌমীশিংনা তোয়না হংবা ৱাহংনি হায়ব্রিদ মখল অদুগা (ক নৎত্রগা খ নৎত্রগা গগা) য়ানশিন্নদুনা হুনবা য়াবা চাথোক লৈবা ফৌগী মখল (HYV) করম্বনো? মখোঙ শোনবা ফৌগী মখল অদুগা য়ানশিন্নদুনা হুনবা য়াবা মখোঙ লিংবা ফৌগী মখল? চাথোক লৈবা, মহাউ ৱাৎপা ফৌশিংগা য়ানশিন্নবা য়াবা মহাউ লৈবা ফৌগী মখল?

মথক্কী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীদ্রিঙৌদা মান্নদবা ফৌ অনী য়ানশিন্নরগা থাবা মতমদা করি থোকপা য়াবগে হায়বদু হান্না নৈনখিসি।

ফৌশিং অসি অমগা অতোপ্পা অমগা চপ মান্ননা হুল্লবসু মুনবা মতম মান্নদে। অসুম্না মুনবা মান্নদবসিনা হান্না মুনবা ফৌ মখলগী হেন্না মরূ চঙবা মতোন থংবা মরূশিং কেনখিদুনা ফৌগী পোখোক হন্থহল্লি। হুনবা মতম মান্নদবা অসিনা ফৌশিং অদু খাওবা মতমদা ফৌশিং অদুদা লৈগদবা ঈশিং ঈনিলগী চাং য়াম্না খেন্নগনি। ঈনিল ৱাংনা লৈবা ফৌশিং অদুবু ঈনিল নেম্না লৈবা ফৌশিং অদুগা মান্নবা ঈনিলগী চাংদা পুরক্লবা হোৎনবা মতমদা ঙন্না মুনখিবা ঈনিল নেল্লবা ফৌশিং অদু কেমদোইনদুনা ফৌ তকপা মতমদা চেঙথোক ৱাৎলি।

মান্নদবা ফৌ মখল অনী ৱাংবা চপ মান্নবা হায়বসি য়াম্না তাঙনা থোকই। ৱাংবা মান্নদবা ফৌ মখল অনী লৌফম অমত্তদা পূন্না থাবনা অৱাংবা ফৌ অদুগী মরুম অনেম্বা ফৌ অদুদা তাশিন্দুনা নুংশা মরাং কায়না ফংদে। অসুম্না নুংশা মরাং কায়না ফংদবা অসিনা অনেম্বা ফৌশিং অদু মশাগী চপ চাবা মগুণশিং অদু ফুদোক্তুনা পোখোক পুথোকপা ঙমদে। অমরোমদা অমুক হৌরিবা ফৌ মশাদগী থাদোরকপা ঈশিং মনিলশিংনা ওমশিন্দুনা ফৌখোংদগী ফৌদোন ফাওবগী শরুক অদু অহাঙবা নুংশিৎকী শরুক্তগী নুংশিৎতা য়াওবা ঈনিলগী চাং ৱাংবা হেল্লি। অসুম্না ঈনিলগী চাং ৱাংবা মফমদা লৈরিবা খরা নেম্বা ফৌ মখলশিং অদু করিগুম্বা অকক্লবা লায়না-তীলনা অমনা নাগনবা ওইরম্লবদি কনবা ঙমদদুনা লৌফম অদুগী পোখোক চাথোক হন্থহল্লি। ঐখোয়না থারিবা ফৌ মখলশিং অসি অমগা অমগা ফৌশক মান্নদে। হায়বদি ফৌ খরনা তেন্না চাওই, খরনা ময়াং কংনা শাংই, খরনা ময়ায় ওইনা চাওই। অসুম্না মান্নদবা ফৌগী মওংশিং অসিনা মরম ওইদুনা ফৌশিং অসি কংহন্নবগীদমক ফৌবা মতমদা কংবগী মতম মান্নদে। অসুম্না কংবগী মতম মান্নদবা অসিনা মরম ওইদুনা হান্না কংবা ফৌ মখলশিং অদু কুইনা নুংশাদা ফৌদুনা অতোপ্পা ফৌশিং অদু কংদ্রি ফাওবা ফৌবনা মরম ওইদুনা ফৌশিং অদু কেমদোইনদুনা ফৌশিং চেঙথোক হন্থহল্লি। অমরোমদা অমুক চাওবা মান্নদবা ফৌশিং মিলদা চেঙ ওন্থোক্লবগীদমক তকপা মতমদা মরূ চাওবা ফৌশিং অদু মকু খোকপগী চাংদমক তক্লবদি মরূ কূপ্পা ফৌশিং মকু খোকপা ঙমদদুনা চেঙ অদু ফৌ য়াম্না য়াওগনি। অদুগা করিগুম্বা মরূ কূপ্পা ফৌশিং অদু মকু খোক্লবা তক্লগনা মরূ চাওবা ফৌশিং অদু তেকপা অমদি কায়বা তৌদুনা চেঙথোক ৱাৎলি অমদি চগেম য়াম্না য়াওদুনা চেঙগী মগুণ হন্থহল্লি।

ঐখোয়না থারিবা ফৌশিং অসি মকু থাবা ফৌ অমগা ফৌ অমগা অমত্তা মান্নদে। মরম অদুনা মান্নদবা ফৌ মখল অনী পূন্না থামিন্নবা মতমদা ফৌ অমনা হান্না কংলগা অতোপ্পনা কোন্না কংই। অসুম্না তৌবসিনা চাং মান্ননা কংনবা হোৎনবা মতমদা মকু পাবা ফৌশিং অদু কেমই। কংহল্লবা মতুংদা কৈদা থল্লবা মতমদসু মকু পাবা ফৌশিংনা নুংশিৎতা য়াওবা ঈনিলশিং লায়না চূপশিন্দুনা ফৌদা য়াওবা ঈনিল ৱাংনা য়াওহল্লি লোয়ননা তীলনা অমদি লায়নাগী মহীকশিংনা লায়না চংবা ঙমদুনা ফৌশিং মশা শোকহল্লি। অমরোমদা অমুক মিলদা ফৌ তকপা মতমদা মকু পাবা কেল্লবা ফৌশিং অদু চেঙ তেকপগী চাং ৱাংহন্দুনা চেঙথোক হন্থহল্লি।

মথক্তা নৈনখ্রিবশিং অসিদগী মমাঙদা হংখিবা ৱাহংশিং অদুগী পাউখুম ফংবিরম্লগনি হায়না খল্লি। মরম অসিনা কৈদৌঙৈদা মান্নদবা ফৌ মখল অনী নৎত্রগা অনীদগী হেনবা ফৌশিং য়ানশিন্নদুনা থাবীরোইদবনি। করিগুম্বা য়ানশিন্নদুনা থাবীগদবা লৈরবদি মরূ ওইনবগীদমক পুথোক্লিবা ফৌশিং লৌরগা য়ানশিন্নগদবগী শরুক ইশাগী কৈদা লৈবা ফৌ অদু ওইনা হুনবীয়ু অমদি ফৌথোক হন্থনা লোকপীবগা লোয়ননা লোক্লবা ফৌশিং অদুসু চেঙথোক য়ামদনা ফংবদা নুংঙাইতবা তৌবীগনু। ●

# কোভিদ-১৯ লাইচৎকী মনুংসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৌমীশিংদা পীবা চৎন-কাঙলোন অমদি চেকশিন থৌরাংশিং -৫

**- ডা. টি ঐচ মোতিলাল -**

- এমপ্লোয়ী খুদিংমক পুং ২-৩ কান্নরগা খূৎ-শা শেংনা হামহনবীগদবনি।

- থোঙ হাংবা মতমদা থোঙগী হেন্দল অদু টিস্যু পেপর শীজিন্নদুনা হাংবীগদবনি। থোঙ লোনবা অমসুং হাংবা মতমদা খুনিং নৎত্রগা হকচাং শীজিন্নদুনা হাংবীগদবনি।

- মতম পূম্নমক্তা মাস্ক অমদি ইশা ঙাকথোক্লবা গ্লোবস, ফিরোল শীজিন্নগদবনি।

- এমপ্লোয়ীশিংনা ফিজিকেল কন্টেক্ট হায়বদি খূৎ শোক্লবনচিংবা তৌবীরোইদবনি অমদি মায়-মীৎতা শোকপীরোইদবনি।

- ফেস মাস্কনচিংবা লৌথোকপা মতমদা মপান থংবা শরুক অদু থেংবীরোইদবনি অমদি খূৎ শা ফজনা হামদোকত্রিফাও মায়, মীৎ, চিন, নাতোন্নচিংবদা শোকপীরোইদবনি।

- এমপ্লোয়ীনা করিগুম্বা অরূম লাইহৌগা লোয়ননা লোক কংখু খুরবা, শ্বর হোনবা নুংঙাইরক্তুবা তারবদি খুদক্তা ক্বারন্টিন তৌবীগনি অমদি ডাক্টর তানবীগদবনি।

- ষ্টাফশিং অদু থবক কারকপা নৎত্রগা হনবা মতমদা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট শীজিন্নরোইদবনি।

- করিগুম্বা পব্লিক ট্রান্সপোর্ট শীজিন্নবীরবদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎকদবনি, মাস্ক উপ্পীগদবনি, চাং নাইনা খূৎ-শা সেনিটাইজ তৌদুনা মায় মীত্তা শোকপীরোইদবনি।

- হকথি খনবা নৎত্রগা লোক খুবা মতমদা দিসপোজেল টিস্যু শীজিন্নবীগদবনি অমদি মফম চাবা মফমদা হুন্দোক্কদবনি। খূৎ-শা অদু হান্না নিংথিনা হামদোক্তুনা পোৎ চৈ পায়বীগদবনি।

**ভেল্যু এদেদ তৌদুনা লেমহৌবা শঙ্গোমশিং অদু প্রদক্ট অমদা ওন্থোকপা** - করিগুম্বা শীজিন্নদবা/লেমহৌবা শঙ্গোমশিং লৈরবদি ফার্মরশিংনা মদু অতোপ্পা কান্নগদবা মওংদা পুথোকপা য়াই।

- শঙ্গোম অদু ফমহন্দুনা ঘী অমদি অতোপ্পা প্রদক্ট পুথোকপা য়াই। বট্টর মিল্কসু পুথোক্লগা পেকেট তৌদুনা য়োনবা য়াই। লেমহৌবা বট্টর মিল্ক অদু ষণাওদা পীজবীবা য়াই।

- শঙ্গোমদগী ক্রিম খাইদোকপা য়াই অমদি বট্টর শেম্বদা শীজিন্নবা য়াই নৎত্রগা ঘী ওইনা পুথোকপসু য়াই। লেমহৌবা শঙ্গোম অদু ফমহন্দুনা শঙ্গোম অফম্বা/লসি নৎত্রগা ষণাওদা পীজবীবা য়াই।

- শঙ্গোমনা খ্বা অমসুং খ্বা বেজ দাইরি পুথোকপা য়াই।

- ফার্মরশিংগী ইমুং মনুংনা হৈথোই শিংথোইরবদি কুলফী নৎত্রগা অতোপ্পা শঙ্গোমগী পোথে-াকশিং শেম্বসু য়াই।

- শঙ্গোম অফম্বা শেমদুনা য়োনবসু য়াই।

- শঙ্গোমশিং অদু ফজনা কংহল্লগা খ্বা শেম্বা য়াই অমদি খ্বাগী অতোপ্পা প্রদক্ট পুথোকপা য়াই।

**মীট পুথোকপা মতমদা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাং :** - মীট নৎত্রগা মীট প্রদক্টশিং পায়বীবা মতমদা ইশাদা ঙাকথোকচনবা এপ্রোন্স, কোক উপ্পবা, মাস্ক, গম বুটস, শু কোভর শীজিন্নবীগদবনি।

- য়ারবদি প্রোসেসিং প্লান্টকী চঙফমদা সেনিটাইজ টনেল অমা শেম্বীগদবনি।

- থবক হৌদ্রিঙৈ মমাঙদা সাপোন্না য়ামদ্রবদা সেকেন্দ ২০ চঙনা খূৎ-শা হামদোকপীগদবনি অমসুং অলকোহোল বেজ চাদা ৭০ হেন্না য়াওবা সেনিটাইজর শীজিন্নবীগদবনি।

- থবক শূবা মতমদা শেৎপা ফিরোল খক্তমক শেৎপীগদবনি।

- য়ারিবমখৈ ৱার্কর অমগা অমগা ফিট ৬ লাপ্পা লেপ্পীগদবনি।

- খোঙনা অমসুং খূনীংনা শীজিন্নবা য়াবা টেপশিং শীজিন্নদুনা খূৎ শা হামদোকপীগদবনি।

- থাঙনচিংবা শোকখিবা য়াওরবদি মফম অদু ঈশিং চোক্তবা বেন্দেজ অমনা য়েৎপীগদবনি।

- থবক শূরিঙৈ মনুংদা মায়, মীৎ, নাতোন পায়বীরোইদবনি।

- হকথি খনবা মতমদা টিস্যু পেপর নৎত্রগা ফুরিৎকী স্লীভশিংনা খুমদুনা খনবীগদবনি।

- মী তোয়না চঙবা মফমশিং চাং নাইনা সেনিটাইজর শীজিন্নদুনা শেংদোকপীগদবনি।

- শা ককপদা শীজিন্নবা থাঙ অদু ঈশিং অশাবদা হায়বদি ৮২° সেলসিয়সতা চামথোক্তুনা শীজিন্নবীগদবনি।

**মীট ককফমদা লৌখৎকদৌবা চেকশিন থৌরাং :** - মীট প্রোসেসিং তৌফম অদু লূ-নানবা মফম ওইগদবনি।

- চাং নাইনা থমেল স্ক্রিনিং তৌবীগদবনি অমদি কনাগুম্বনা ৯৯° সেলসিয়সতগী হেন্না শাবা থেংনরবদি চঙহনবীরোইদবনি।

- মতম পূম্নমক্তা ফিট ৬ লাপ্পা লৈবীগদবনি।

- শা ককফম জগা অদু (১০-১৫° সেলসিয়স) ওইবা অমদি ঈশিংগী মনিল নেম্বা কা অমদা তৌবীগদবনি। ●

# য়ূমদা হুই লোইবগী কান্নবা অমদি করম্বা মখলবু লোয়গদগে?

**- ময়াংলম্বম ওলিম্পিওন -**

ইন্দিয়াদা পেটস লোইবা হায়রগদি হুই *(Canis familiaris)* অমসুং হৌদোং *(Felis catus)* লোইবনা অয়াম্বা ওইরি। হুই হায়বা জীব অসিদি রিলিজন খায়দনা লোয়বা য়াবা অমদি মালেমগী মফম শিনবা থুংনা লোয়নবা পেট মখল অমনি। মখোয়সি বাইওলোজিষ্টশিংনা ফোঙদোকপদা ৱোলফ *(Canis lupus)* তগী দাইরেক্ট ওল্লকপা স্পেসিসনি হায়না পল্লি। Rabbit, Mice, Parrots, Horses, Aquarium দা ঙা থম্বা অসিনচিংবসু পেটকী কেটেগোরিদা চিংলি। ইন্দিয়াগী ওইনা কুমজা ২০১৮গী সর্ভে ফাওবদা হুই লোইবা ইমুং অসি ১৭ মিল্লিয়ন্সনি অদুগা হৌদোংনা ১.৫ মিল্লিয়ন্সনি। মসি কুমজা ২০২৩দদি অনীসি পুল্লগা ৩১ মিল্লিয়ন্স শুরক্কনি হায়নসু পল্লি। হুই লোইবগী চাং অসি য়াম্না হেনগৎলক্লিবসি ইন্দিয়াদা শাশিংগী হীদাকশিং খুমাঙ চাওশিল্লকপগীনি। অরুবা লায়না কয়া কনবা ঙম্লকপা অমদি ফোরেনগী ব্রীদশিংনা থম্মোয়বু শুমহৎপমখৈ য়েংবদা নুংশিবা ফাওহন্দুনা লোয়নরক্লি। মতাং অসিদা মণিপুরদা মশাগী ব্রীদশিংবু তাথী-তাওইনা তৌনরকপা অমদি চানরকপা কয়া হৌজিক হৌজিক নোংমা কাংদনা থোক্লি। য়ূম শঙবগী কান্নবদং লৌরগা নারক্লবা মতমদনা লায়েংবীরোই, চাথোক্কনি অমদি য়োন্থোক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোন থাদোকপীয়ু।

ঐখোয়না হুই অসি করিগীদমক লোইনরিবনো হায়না হংলুরবদি, য়ূম শঙনবা, য়ূমগী অকোয়বা ঙাক-শেন্নবা, হুরানবা অমদি দ্রগস ফাগৎনবা লোয়নবনি হায়না অয়াম্বনা হায়নরক্কনি। কান্নবশিংগী মরক্তা মীওইবগী হকচাংদা মখোয়না করি পীরি হায়বদুদি নোংমতা খল্লুদে। হান্না খঙবীরম্লবসু-খঙবীরমদ্রবসু মখাদা পীজরিবা পোইন্টশিং অসিদগী অমুক য়েংমিন্নসি।

**১) মীওইববু মতম পূম্নমক্তা নাইতোম থমহন্দবদা মতেং পীরি :** (হকচাংগী ওইনা দিপ্রেসন, টাইর্দনেস, লোনলি ওইবা ফহল্লি) অতোপ্পা কন্ত্রিগা য়েংনবদা ইন্দিয়াদদি সুইসাইদ তৌবা অমদি দিপ্রেসন নাবগী চাং অসি হান্নদগী ৱাংদুনা লাক্লিবনি। মসি পেটশিংগা লোয়নরগা লৈরবদি, মরূ ওইনা হুইশিংগা লোয়নরবদি অৱাবা মীকূপ কয়াদগী মখোয়গা লোয়নদুনা শান্নমিন্নদুনা কাউথোকহল্লি, ঐখোয়নদি খঙহৌদবা য়াই অদুবু দিপ্রেসন নারবদি অদোমসু হুই অমা লোয়বীদুনা য়েংবীয়ু।

**২) ৱাখল চরাংনবা, অশাওবা, বি পি লৈবশিংদা কান্নবা পীরি :** মোদর্ন লাইফ অমা ওইরকপদা থবক্লা হেন্দুনা হকচাংবু ষ্ট্রেস লৈরকপা, Tensions, Anxiety অমদি বি পি হায় ওইরক্তুনা শেলনা নুংঙাইবা ঙমদবা মতাং কয়া অমা য়াওরকই। মসিদগী হুই লোইবনা ঐখোয়গী অৱাবা নুংঙাইতবা পূম্বা মীকূপ্তা মাঙহনবা ঙম্মী। মখোয়গা শান্নবদা য়াওদুনা হকচাংবু লেংহনবদা মতেং পাংই, বি পি হন্থহল্লি, পুক্তা ফেট পৈশিনবদগীসু হন্থহল্লি। এক্সর্সাইজ পূন্না তৌমিন্নবা য়াবা খ্বাইদগী ফবা জীবদি হুইনা ওইরি। চেনবা চোংবা পামজবশিংগী মরক্তা Husky, Labrador পনবা য়াই।

**৩) মীওইবগী ইম্মুন সিষ্টম ফগৎহল্লি :** মসি মায়কৈ অনী থোক্লা নৈনবা য়াই। অহানবদা, হুই-হৌদোংশিংনা মপান্দা শান্নরুবা মতুংদা ইমুংদা মহীক মতাই কয়া অমা পুশিল্লক্লি। পেটশিংগা মতম পূম্বদা লোয়নরবদি মহীকশিং অদুদগী ঙাকথোক্লবা হকচাংগী ইম্মুন সিষ্টম অসি হেন্না কনখৎহল্লি। অদুগা অনীশুবদা, পেটশিং পুদুনা ৱার্কিং চৎপগী হৈনবা অসি লৈনরক্তুনা ইম্মুন ফগৎহনবদা হুই অমদি চৎমিন্নরিবশিং অদুদা মতেং পাংই। ইম্মুন ফরবদি লায়না কয়াদগী ঙাকথোকই।

**৪) কেন্সর অমদি মলেরিয়া লায়না খঙদোকপা ঙম্বা :** হুইদা মনম খঙবগী সেন্স অসি অঙকপনি। মখোয়না মীওইবা ঐখোয়দগী শরুক ১,০০,০০০ হেন্না মখল কয়াগী মনম খঙবা ঙম্মী। হুইশিংবু ট্রেনিং তৌদুনা কেন্সর হোস্পিটালদা থম্বফাও হৌনরখ্রে। মখোয়না ট্যুমরস নৎত্রগা কেন্সর লৈবা মফমশিংবু মনম নমদুনা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা খোৎলকপা, মরৈনা লেকপা, মনম শুৎ-শুৎ নম্বা থৌওংশিং অসি উৎলি। মসি য়ূমদা লোয়বা হুইনা অসিগুম্বা মওং অসি উৎলক্লবদি ইশাবু চ্যেক তৌথোকপীয়ু।

**৫) পিক্লিবশিংবু মথৌ খঙহনবা/লর্নিং রেসপোন্সিবিলিটি :** নুপীমচাশিংবু তুংদা লাক্কদবা থবক থৌরমশিং- লূবা-নানবগী, ইমুং লোইশিনবগী, নাবা য়াওরকপদা তৌরিবা থবক খুদিংমক হুই লোয়রবদি মাঙজৌননা লোইনা খঙহৌবা, হৈহৌবা ঙমহল্লি। হুইশিংবু ইরুজবীবা, মকোল শেংদোকপা হায়বসি তুংদা য়ূম অমগী তৌদবা য়াদ্রবা থবক ঙাক্তনি।

**৬) খুদোংথীবদগী ঙাকথোকপীবা :** কনাসু লৈতবা য়ূম অমা শঙবদা হুই অমা লৈরবদি অকিবা য়াওদনা সেফ ওইনা লৈবা ঙম্মী। লম্বীদা চৎপদা মীগা লোয়নদ্রবসু ইশাগী হুইনা গর্দ তৌদুনা চৎপদা অতোপ্পা ষ্ট্রে দোগশিংদগী খুদোংথীবা কয়াসু ঙাকথোক্লি। মসি হকচাংগী ওইনা করি কান্নবনো য়েংলুরবদি অকিবগী লায়না (hypochondriasis) অমদি rabies নারম্বা য়াবা ষ্ট্রে দোগশিংদগী ঙাকথোক্লি।

**৭) কোভিদ-১৯ খঙবা ঙম্বা :** হন্দক্তা থোকখিবা পাউচে কয়াদা থেংনবীরম্লগনি হুইশিংগী মনমনা কোভিদপু লায়না খঙদোকপা ঙম্মী হায়দুনা। ট্রেনিংবু পীরবদি drugs, firearms, explosive bombs কয়া থিনবা এয়রপোর্টতা অমদি আর্মিশিংনা sniffer dogs শীজিন্নরি।

ইন্দিয়াদা এনিমেল ৱেলফেয়র বোর্দনা শেম্বা **'The Prevention of Cruelty to Animals Act,1960'** গী মতুংইন্না হুইশিং অসিদা ফূবা, হাৎপা, ওৎপা য়াওরবদি চৈরাক ফংবা য়াই অমদি ইন্দিয়াদা হুই শেম্মগা য়োনবা অমদি লৈবদা অথিংবা পীরি। ৱাহং অমনা, মণিপুরগী হোটেলদা ফংলিবসিদি? চুম্মী, লোনা য়াদবা কয়া তৌরি অমদি থিংবসু ঙম্লোই। শাওনীংই হায়দুনা হাৎত্রিঙৌদা, পিজনবা লৈতে হায়দুনা পীজদবা, নৎত্রগা নারে হায়দুনা শিজরসনু হায়না খনবা লৈরবদি হুই লোয়বীদবনা হেন্না ফৈ। মপান লমগী ব্রীদশিং শেল ময়াম অমা পীদুনা লৈবগী মহুক্তা মণিপুরদা ফংবা অমদি মপু লৈত্রবা ষ্ট্রে দোগ কয়াগী মপু ওইবীবসু য়াই।

ইশাগী য়ূমদা করম্বা হুই লোয়গদগে অমদি করম্বনা চান্নগদগে হায়বদু থমজগে। হুইগী ব্রীদশিং অসি গ্রুপ তরেৎ থোক্লা খাইদোক্লি। মদুদি - Sporting, Hound, Working, Terrier, Toy, Non-Sporting অমদি Herding নি।

**১) ইন্দিজিনস ব্রীদস :** ইন্দিয়া মনুংদা ফংবা অমদি মণিপুরদা মতম কয়াদগী লোয়দুনা লৈরক্লবা হুইশিংদুগী মনুংদা খরা খক থমজরি।

- **তাঙ্খুল হুই (অৱাং হুইজাও) :** উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট, মণিপুরদগী হেবিটেট ওই হায়নরিবা হুই মখল-Terrier group তা চিংই। মাগী মগুণশিং অসি য়েংবদা শাথীবা, মপাঙ্গল লৈবা, নাগন্দবা অমদি শা তানবদা শীজিন্নবা অসিনি। ৱাংবনা ইঞ্চি ২৪-২৬নি। অদুগা অরূম্বনা কেজি ৩০ মুকনি। শেল চঙদনা লোয়গে খল্লবদি মসিনা বেষ্ট চোইসনি।

- **Indian Spitz :** মণিপুরদা পোকেট দোগ হায়রিবা হুই মখল অসি তশেংনা মসিগী কাঙলূপ অসিনি। য়াম্না হোঙবা, লোয়বা লায়বা অমদি মণিপুরগসু য়াম্না চানবা মখল অমা ওইরি। অরূম্বনা কেজি ১০দগী ১৮ অদুগা ৱাংবনা ইঞ্চি ১৪-১৫নি।

- **Pariah :** হাওস গর্দ অমদি ইন্দিয়ন পুলিসশিংনা শীজিন্নবা হুই মখলনি। অরূম্বনা কেজি ২০দগী ৩০ ফাওবা লুম্মী অমদি মনম খঙবগী চাং অসি নোর্মেল হুই অমদগী মানা হেন্না খঙবা ঙম্মী।

- **Himalayan sheepdog :** মতু য়াম্না য়াওবা অমদি মণিপুরগী চীংগী মফমগসু চানবা হুই মখল অমনি। মসিগী অরূম্বনা কেজি ৩০দগী ৪১ ফাওবা পীরি, ৱাংবনা ইঞ্চি ২০দগী ২৬ ফাওবনি।

**2. Exotic breeds :** মণিপুরদা শেল পায়বা মীশিংনা লোয়নবা হুই মখল হায়নসু খঙনৈ। মরমদি মখোয়দি মণিপুরগী লৈহাওদা য়াম্না চানবা ওইদে। জোতোন তৌদুনা অমদি অফবা মচিঞ্জাক পীজবা দরকার ওই। ফোরেন ব্রীদস ওইজরবসু মণিপুরগী লৈহাওদা তপ্না তপ্না চুশিন্নরক্লিবা হুইশিংগী মমিং অমদি মওং তাকচরি:

- **German shepherd :** য়াম্না মশা খিঙবা হুই ওইবনা থাদোকপীবা দরকার ওইগনি। মাগী চাওরাকপা ৱাংবনা ইঞ্চি ২৬ অমদি অরূম্বনা কিলো ৩০দগী ৪০ ফাওবনি।

- **Golden Retriever :** মসি স্পোর্টিং দোগকী গ্রুপ্তা চনগনি। অরূম্বনা কেজি ৩০দগী ৩৫ ফাওবা ওইগনি। ৱাংবসু German Shepherd কা চাওরাকপা মান্নে।

- **Labrador :** স্পোর্টিং গ্রুপ্তা চিংই অমদি Retriever গুম্না শীংই, এক্টিভ ওই। ৱাংবনা ইঞ্চি ২৩ অমদি অরূম্বনা কেজি ৩৫ ফাওবা ওই।

- **Syberian Husky :** মশক শাথীরগা ফজবা, মশা নানবা, ফ্রেন্দলি ওইবা অমদি য়াম্না শীংবা মখল লোইবীনীংলগদি মসি লোয়বীবা য়াই। অরূম্বনা কেজি ২০দগী ২৫ অদুগা অৱাংবনা ইঞ্চি ২০দগী ২৩ ফাওবনি।

- **Pitbull :** মস্কুলর ওইগনবা অমদি শাথীবা হুই মখল অমনি। য়ূমগী গর্দ তৌনবা লোইনৈ। অৱাংবদি ময়ামদগী নেমতক তৌগনি, ইঞ্চি ১৮-১৯ অদুগা অরূম্বনা কেজি ৩০গী মথক ফাওবা লূপ্লকপা য়াই।

- **Rottweiler :** হৌজিক পাম্না লোয়নরকপদা মসিগী হুই মখল অসিসু অমনি। চাওবা অমদি লূম্বদি মথক্তা পঞ্জরিবা ময়ামগা অদুম মান্নে। য়েংবদা শাথীবা মানবা অমদি খজাই মপাদা ঙাঙলৈননা লৈগনি।

- **Beagle :** হুই মচা অসি য়াম্না য়েংবদা ফজবা অদুগা লোয়নবা য়াবা ফেমিলিগী ওইনা লোইবা য়াবা মখল অমনি। অতৈ হুইগা য়েংনবদা পিক্কনি, অৱাংবনা ইঞ্চি ১৩-১৬ নি অদুগা অরূম্বনা কেজি ১০ ফাওবা ওই।

- **Pug :** ভোদাফোন দোগ হায়রগসু খঙনবা য়েংবদা মমায় খুইজিনবা মাল্লি, মখোয়সি য়াম্না নাগনবা (respiratory diseases) মরম্না লোয়নবগী চাং অসি য়াম্না নেম্মী। পোকেট দোগকা ৱাংবা অমদি লূম্বা হায়ফেৎ মান্নে অদুগা মসিগী ব্রীদ অসি লোয়গে হায়রবদি লোয়বীয়ু অমদি মশাগী লায়না অসি নাদনবা অতোপ্পা ব্রীদশিংগা ক্রোসিং তৌদুনা অফবা খূৎশেমগী ব্রীদ অমা ঙাইমিন্নসি।

**3. Mix-Breeds :** মথক্তা পঞ্জরিবা ব্রীদশিং নত্তবা ইশানা অমদি জেনেটিক এঞ্জিনিয়ারিং তৌদুনা খূৎশেমগী ওইবা মিক্স ব্রীদস কয়া অমা পুথোক্লরকই। অসিগুম্বা ব্রীদশিং অসিগী মওং মতৌদি ক্রোস তৌরিবা ব্রীদশিংদু মানগনি। মসিগী কান্নবা অমদি কান্নদবা কয়াসু লৈখ্রে। মণিপুরদদি লোকলগা exotic breeds কা ক্রোস অয়াম্বা তৌই। ইন্টরনেসনলগী থাক্তা অয়াবা পীরবা, মমিং থোনখ্রবা খরা পল্লবদা

- **Pisky = Pitbull ga Husky**
- **Pomsky = Pomeranian and Husky,**
- **Puggle = Beagle and Pug,etc.** ●